# যুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সকি হাৎনবা থাখিবা চেচেন স্পেসল ফোর্সকী কাঙবুশিং যুক্রেনদা হাৎখ্রে

কিভ, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সী):
যুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সকি হাৎননবা থারকখিবা চেচেন স্পেসল ফোর্সকী য়াল্লবা মীওই কাঙবু অমা যুক্রেনদা হাৎখিবগা লোয়ননা রসিয়াদা অচৌবা চৈথেং অমা পীখ্রে হায়রি।



দেলী মেলগী রিপোর্টনা হায়, শাথিবা ভাইওলেন্স অমসুং হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবা থবক কয়া পাঙথোক্তুনা লাকপগীদমক্তা মমিং লৈরবা খুৎলায় পায়বা গ্রুপ অদুগী মীওইশিং টেঙ্ক ৫৬কী কনভোয়দা লাকপদা যুক্রেনগী কেপিটেল কিভকী অৱাং নোংপোক্তা লৈবা হোস্টোমেল মনাক্তা মিসাইলনা পানবদগী পাক্তক্লনা শিখিবনি। থৌদোক অদু চেচেন স্পেসল ফোর্স দিপ্লোয় তৌবা নীনি চনবা নুমীৎতা থোকখিবনি হায়রি।

যুক্রেনিয়ন ফোর্সনা মিসাইল কাপ্পা অদুদা চেচেন স্পেসল ফোর্সকী মীওই চপ চানা কয়াম শিখিবগে হায়বসি খঙবা ঙমদ্রবসু মখোয়গী মশীং চা কয়া ওইবা য়াই হায়না দেলী মেলগী রিপোর্টনা হায়রি। মিসাইল এট্রেক অদুদা শিখিবশিংগী মনুংদা চেচেন জেনরেল মাগোমেদ তুসাইভ য়াওখি। মহাক চেচেন হেদ ওফিসতা রামজান কাদিরোভকী ইলিট ফোর্স ওইরিবা ১৪১শুবা মোটোরাইস নেসনল গার্দ বৃগেদকী কম্মান্দরনি।

তুসাইভ অসি চেচেন রেজিমগী মরুওইবা মীশক অমনি হায়বসি মহাক্না কাদিরোভকা মতম অয়াম্বদা লোয়নদুনা লৈ হায়বসি উৎপা ফোটো কয়াদগী খঙবা ঙমখি। রেজিম অসি গে নুপাশিং কোয়থি থিরগা ওৎ-নৈবা অমসুং হাৎপগীদমক্তা মীয়াম্না কি-হঙ্গৈইনরিবনি হায়রি।

চেচেন স্পেসল ফোর্সকী মীওইশিং অদু যুক্রেনিয়ন মিসাইল এট্রেকতা শিখিদ্রিঙৈগী মমাঙদা কাদিরোভনা যুক্রেনগী উমং অমদা ফাওবা চৎতুনা য়েংশিনখি হায়না ফাওবা থাজনরি। টেরর স্কৱাদ্রোন অদুদা নংলিবা মীশি অদুনা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা যুক্রেনবু মায়থীবা পীনবা হোৎনরক্লিবদুদা অচৌবা সাইকোলোজিকেল চৈথেং অমা পীরে হায়রি।

রসিয়ন লিদর অসিনা গ্রুপ অদু যুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সকিবু ফানবা নৎত্রগা হাৎননবা থাখিবনি। লাঙ্গোয় চল্লবা যুক্রেনিয়নশিংদা মীনুংশি লৈত্রবা ফাইটরশিং অদুনা অকি-অখঙ হেন্না পোকহনগনি হায়বগী থাজবা অমগা লোয়ননা পুটিননা স্কৱাদ্রোন অদু থারকখিবনি হায়না দেলী মেলগী রিপোর্টনা মখা তারি।

অমরোমদা, যুক্রেনবু হান্না থৌরাং তৌখিবা মওংদা পাইশিন্নবা হোৎনবদা মতম চোন্থবদগী রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন খোয়রাং খোয়শাওনরে হায়না দেলী মেলগী অতোপ্পা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

পুটিনগী খুৎলায় অমসুং লান্মী মশীং যুক্রেনদগী য়াম্না হেনবনা লৈবাক অসিবু ইরায় লায়না কন্ট্রোল তৌখিগনি হায়বগী থাজবা লৈরবসু যুক্রেনিয়নশিংগী থৌনা লিংজেল অমদি হৈ-শিংবনা মরম ওইদুনা রসিয়ন ফোর্সশিংনা চঙশিনবদা অপনবা কয়া থেংনরিবনি হায়রি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়, রসিয়াগা চাংদম্নবদা খরা পীকপা লৈবাক অমা ওইরিবা যুক্রেনগী লান্মীশিংনা ইফেক্টিভ ওইবা মওংদা এট্রেকরশিংদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনরকখিবা অসিদা রসিয়ন মিলিটরিগী মিংচৎতা শোকহল্লে হায়না লৌনরি। হৌজিক ফাওবদা ক্রেমলিননা যুক্রেনগী কেপিটেল কিভ পায়শিল্লগা মোস্কোনা খনবা গভর্ণমেন্ট অমা লৈহনবা হায়বা পান্দম অসি করম্বা মতমদা কনবা ঙমগদগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি।

মী হাৎপা-তুপ্পদা থোইদোক্লা হালেংদে হায়নবা চেচেন স্পেসল ফোর্সকী য়াল্লবা মীওই কাঙবু অমা যুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকি হাৎননবা থারকখিবা মীশি-মীনা চাউনা নংখিবগা লোয়ননা থাংজ নুমীৎতা যুক্রেননা রসিয়াদা অচৌবা চৈথেং অমা পীখিবনি।

যুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা মহাক কিভতা লৈরিবা রসিয়ন হিটমেনশিংগী অহানবা টার্গেটনি অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংনা হিটমেনশিং অদুগী অনীশুবা টার্গেটনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা যুক্রেন ফাইটরশিং অদু মিসাইল এট্রেকতা শিখিবনি।

# যুক্রেনদা মায় ওনশিন্নরিঙৈদা নোর্থ কোরিয়ানা বলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েং তৌখ্রে

সিওল, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সী):
যুক্রেনদা রসিয়ানা লান্দাবগী থৌদোক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং মীচঙশিংনা মায় ওনশিন্নরিঙৈদা নোর্থ কোরিয়ানা নোংমাইজিং নুমীৎতা সমুদ্রদা বলিষ্টিক মিসাইল অমা কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখ্রে।



মিসাইল লোঞ্চ অদু চহী অসিগী মনুংদা পাঙথোকপা ৮শুবা লোঞ্চনি। এক্সপার্ট খরনা হায় মদুদি, নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী খুৎলায় টেক্নোলোজি মপুং ফাহন্ননবা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা প্রেসর পীদুনা খুৎলায় থাদোক্লবগী ৱারী লেপ্লিঙৈ মনুংদা অথিংবশিং লৌথোকহনবগুম্বা কন্সেসনশিং ওফর তৌরক্লবা হোৎনরি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা যুক্রেনগী কনফ্লিক্টতা মায় ওনশিন্দুনা লৈরিবসি খুৎলায় চাংয়েংগী থবক চথবদা ৱাশিংতনগী মায়কৈদগী অকনবা পাউখুম পীরক্লোইদবা খুদোংচাবা তানফম অমনি হায়নসু নোর্থ কোরিয়ানা লৌরম্বা য়াই হায়রি। জপানগী দিফেন্স মিনিষ্টর নোবুও কিশিনা ফোঙদোরকখিবদা, নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল অদু পুংদা কিলোমিটর ৩০০গী চাংদা কিলোমিটর ৬০০ ফাওবা ৱাংনা পায়খৎলবা মতুংদা নোর্থ কোরিয়াগী নোংপোক থংবা সমুদ্র খোংবান মনাক নক্লা অমসুং জপানগী এক্সক্ল্যুসিভ ইকনমিক জেনগী ৱাংমদা তাখি। ভেসেলশিং নৎত্রগা এয়রক্রাফ্টতা অমাঙ-অতা থোকহনখিবগী পাউ ফংখিদে।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা কিশিনা মখা তানা হায়খি মদুদি, মালেম পুম্বা রসিয়ানা যুক্রেনদা লান্দাবগী থৌদোক্তা পূক্লিং লুপ্পরিঙৈ মরক্তা নোর্থ কোরিয়ানা অতম্লনা মিসাইল চাংয়েং অদু পাঙথোকখিবা ওইরবদি অসিগুম্বা খোঙথাং অসি য়াম্না চুমদবা অমসুং ঙাকপীনিংঙাই ওইদবা থবক অমনি। নোর্থ কোরিয়াগী পান্দম ঐখোয়না খঙদ্রবসু লৈবাক অসিনা হঞ্জিন-হঞ্জিন মিসাইল চাংয়েং পাঙথোক্লিবসি ঙাকপীনিংঙাই ওইদবা থবকশিংনি। লৈবাক অসিনা মিসাইল অমসুং ন্যুক্লিয়র খুৎলায়গী লমদা খুন্মাং চাউশিন্নবা হোৎনরক্লিবসি ঐখোয়না তরাইনা লৌবা য়ারোই।

সাউথ কোরিয়াগী ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি, নোর্থকী কেপিটেল এরিয়াদগী কাপখৎলকখিবা মিসাইল অমা মখোয়না দিটেক্ট তৌখি। খোঙথাং অসি য়াম্না নুংনাংনিঙাই ওই। সাউথ কোরিয়াগী নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী ইমর্জেন্সি মীফম অমদা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি, রসিয়ানা যুক্রেনদা লান্দারিঙৈ চৈরকসিদা মিসাইল চাংয়েং পাঙথোরক্লিবসি মালেমদা মরা তপ্পা ফীভম লিংনবা হোৎনবগা য়াম্না চান্নদে।

# বেলারসতা ৱারী শানবগী ৱাফম জেলেন্সকিনা রিজেক্ট তৌখ্রে

কিভ, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সী):
বেলারসতা নিগোসিএসন পাঙথোক্লবা রসিয়ানা তৌরকখিবা ওফর নোংমাইজিং নুমীৎতা যুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সকিনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

প্রসিদেন্ট অসিনা বলগেরিয়াগী বুদাপেষ্ট অমসুং পোলেন্দগী ৱার্চো য়াওনা মহুৎ শীনবা য়াবা সিটি খরা পনখি হায়রি। এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, রসিয়ন দেলিগেসন অমা বেলারসতা থুংখ্রে অমসুং গোমেল সিটিদা যুক্রেনগা নিগোসিএসন চথনবা শেম-শারগনি হায়না ক্রেমলিননা লাউথোরকখিবা মতুং মতম শাংনা কান্নদনা জেলেন্সকিনা ৱাফম অসি মহাক্কী টেলিগ্রাম চেনেলদা ভিদিও অমা থাগৎলদুনা ফোঙদোরকখিবনি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, মিনস্কতা নিগোসিএসন চথবা ঐখোয়না পামদে। মফম অসিদা নিগোসিএসন চথবগী মহুৎতা ঐখোয়না অতৈ সিটিশিংদা উনবা য়াই। মফমগী ৱাফমনি, ঐখোয়না মরা তপ্পা ফীভম লিংবা পাম্মী, উনবা পাম্মী অমদি লান অসি লোইশিনবা পাম্মী। রসিয়াদা ঐখোয়না ৱারী শাননবগীদমক সজেস তৌরিবা সিটিশিংদি ৱার্সো, ব্রাটিসলাভা, বুদাপেষ্ট, ইষ্টানবুল, বাকুনি। ফোরেন মিনিষ্ট্রি, দিফেন্স মিনিষ্ট্রি অমসুং গভর্ণমেন্টকী অতৈ এজেন্সীশিংগী মীহুৎশিং য়াওবা দেলিগেসন অমা বেলারসতা থুংখ্রে হায়না মদুগী মমাঙদা ক্রেমলিনগী স্পোক্সমেন দমিত্রি পেস্কোভনা ফোঙদোকখিবনি।

চৈরকসিদা, রসিয়ন আর্মদ ফোর্সেসনা ওপরেসন হৌবদগী হৌজিক ফাওবদা যুক্রেনগী মিলিটরি ইনফ্রাষ্ট্রকচর ওবজেক্ট ৯৭৫ থুগায়খ্রে হায়না রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ইগোর কোনাশেনকোভনা নোংমাইজিং নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে। রসিয়ানা থাংজ নুমীৎতা এয়র অমসুং সিদগী কাপ্পা ক্রুজ মিসাইলশিং শীজিন্নদুনা যুক্রেনগী মিলিটরি ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা লেপ্তুনা ষ্ট্রাইক তৌখি।

# রসিয়ন ফোর্সশিং মায়কৈ খূদিংদগী চঙশিনবা লেপত্রি

মোস্কো, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সী):
ৱারী শানবগী ৱাফম কিভনা য়াখিদ্রবা মতুংদা রসিয়ন ফোর্সশিং মায়কৈ খূদিংদগী যুক্রেনদা মখা তানা চঙশিন্নবা ইন্সত্রক্সন পীখ্রে হায়না রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।



থাংজ নুমীৎকী ব্রিফিং অমদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ইগোর কোনাশেনকোভনা হায়খি মদুদি, ওপরেসনগী থৌরাং মতুংইন্না ওফেন্সিভ চথনবা য়ুনিট খূদিংমক্তা ওর্দর তৌখ্রে। লোকল মীদিয়ানা কেমক্রিনগী স্পোক্সমেন দমিত্রি পেস্কোভকী ৱারোল পল্লদুনা হায়, যুক্রেনগী লুচিংবশিংগা নিগোসিএসন চথরগনি হায়বগী থাজবা লৈবদগী ইরাই নুমীৎতা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা মিলিটরি ওপরেসন লেপ্পনবা ওর্দর তৌখি।

যুক্রেনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা, প্রপোজ তৌখিবা কন্দিসনশিং য়ানিংঙাই ওইদবনা মরম ওইদুনা কিভনা রসিয়াগা নিগোসিএসন তৌনবগী ৱাফম অসি য়াখিদবনি। রসিয়নশিংগী কন্দিসন অদু যুক্রেনবু নমদুনা সরেন্দর তৌহন্নবা হোৎনরকপা অমনি হায়না যুক্রেনগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুংইন্না লুগানস্কতগী চঙশিনখিবা ক্রুপশিং কিলোমিটর ৪৬ ফাওবা য়ৌখি অমসুং মখোয়না সাষ্টিয়া অমসুং মুনাটোভোগী সেট্লমেন্টশিং পায়শিনখি। দোনেটস্কতগী চঙশিনখিবা ক্রুপশিংনা ফ্রন্টলাইনদগী কিলোমিটর ১০ ফাওবা য়ৌখি। মখা তানা মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়, রসিয়ন এয়রবোর্ন ফোর্সশিংনা যুক্রেনগী নেসনল গার্দকা খুৎশম্নরগা চর্নোবিল ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট ঙাক শেল্লি।

চৈরকসিদা রসিয়ন সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী দেপ্যুটি চেয়রমেন দমিত্রি মেদভেদেভদা থাংজ নুমীৎতা হায়খ্রে মদুদি, হৌজিক রসিয়াগী মায়োক্তা অথিংবা কয়া থল্লিবা অসি অসিগুম্বা অথিংবশিং থল্লক্লিবা লৈবাকশিংগা লৈনবা মরী রিভিয়ু তৌনবগী মরুওইবা মরম অমনি। মেদভেদেভনা মখা তানা হায়খি মদুদি, অথিংবা কয়া থল্লক্লিবা অসি ষ্ট্রেটেজিক ষ্টেবিলিটিগী মতাংদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগা ৱারী শানবা পুন্নমক লেপ্পবগী মরম অমনি। মখোয়গী অথিংবশিং অসিনা হৌজিক চথরিবা মিলিটরি ওপরেসন অসিগা মরী লৈননা মোস্কোনা লৌরক্কদবা ৱারেপশিংদা অহোংবা লাকহনবা ঙম্লোই। মখা তানা মোস্কোনা দোনবাসপু প্রোটেক্সন পীনবা হোৎনগনি।

মপান্দা লৈরিবা রসিয়ন সিটিজনশিং অমসুং কম্পনিশিংগী মায়োক্তা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিংগী পাউখুম ওইনা রসিয়ানসু মান্নবা খোঙথাং হায়বদি রসিয়াদা লৈরিবা ফোরেনরশিং অমদি ফোরেন কম্পনিশিংগী ফন্দশিং থিংজিল্লকপা য়াই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। রসিয়ন এয়রক্রাফ্টকী ফ্লাইটশিং থিংনবা ৱারেপ লৌরিবা লৈবাকশিংগী মায়োক্তা মান্নবা খোঙথাং লৌখৎতুনা পাউখুম পীগনি হায়না রসিয়ন এভিয়েসন ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে। লৈবাকশিং অসিনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংগী পাউখুম ওইনা মোস্কোনা রসিয়ন এয়র স্পেস থিংজিল্লগনি হায়খি।

# যুক্রেনগী আর্মিনা মখা তানা কিভ কন্ট্রোল তৌরি

কিভ, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সী):
নোংমাইজিং নুমীৎকী অয়ুক ফাওবদা যুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা কেপিটেল কিভ মখা তানা কন্ট্রোল তৌরি হায়না কিভ সিটি ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসননা ফোঙদোকখ্রে।

এদমিনিষ্ট্রেসনগী ফর্ষ্ট দেপ্যুটি হেদ মাইকোলা পোভোরোজনিকনা হায়, কিভতা ঈং-চিকপা ফীভম লৈ। কেপিটেল অসি যুক্রেনগী আর্মি অমসুং দিফেন্সনা মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌরি। অহিংগী মতমদা অচিকপা অসি থুগায়নবা হোৎনরকপা কাঙবুশিংগা মফম কয়াদা খুৎ থোক্লবা লৈ। যুক্রেনিয়ন গভর্ণমেন্টনা চলাইবা ন্যুজ এজেন্সী অমগী মতুংইন্না কিভতা নিংথৌকাবা নুমীৎকী অয়ুক পুং ৮ ফাওবা কর্ফিয়ু লৈগনি। চেকশিন থৌরাং অসিনা মরম ওইদুনা স্পেসল পাস য়াওদবা প্রাইভেট ভেহিকলশিং চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অপনবা লৈগনি।

চৈরকসিদা, ব্লাদিমির পুটিননা যুক্রেনদা লান্দারিবসি মহাক্কী থৌরাংগা চান্নবা মওংদা লাক্ত্রে হায়না রিপোর্ট খরনা হায়রি। রিপোর্টশিং অদুনা মখা তানা হায়, হৌজিক্কী ফীভম অসিদা ক্রেমলিননা যুক্রেনবু পায়শিল্লগা থম্নবা হোৎনবগী থবক অসি মায় পাক্ত্রে হায়না লৌবদি ঙনমল্লি। রসিয়ন ফোর্সশিং হৌজিক পুটিনগী অনৌবা করম্বা ওর্দরগী মতুংইন্না করি তৌরক্কদগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি।

যুক্রেনগী আর্মস ফোর্সেসকা চাংদম্নবদা রসিয়ন মিলিটরিগী পাঙ্গলনা য়াম্না হেন্না চাউই। রসিয়ন ফোর্সেসতা কম্বেট এয়রক্রাফ্ট মরাং কায়না য়াওই। নেভেল ফোর্সসু যুক্রেনদগী য়াম্না হেন্না চাউই। যুক্রেনগী লান অসিদা রসিয়ানা দিপ্লোয় তৌরিবা ক্রুপ মশীং অসি ১,৫০,০০০নি। তৌইগুম্বসুং থাংজ নুমীৎতা পুটিনগী ওপরেসন হায়বদি যুক্রেনগী প্রো-ৱেষ্টর্ন গভর্ণমেন্ট লৌথোক্লবগী ওপরেসনদা খুরৌ কয়া থাংখি। রসিয়ন ফোর্সশিংনা লোজিষ্টিক্সকী ইস্যু কয়া মায়োক্লখি।

# যুক্রেনিয়নশিংদা অহেনবা মতেং পীরগনি

ন্যু য়োর্ক, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সী):
রসিয়ানা লান্দাবদগী অৱাবা নংলবা যুক্রেনগী মীয়ামদা অহেনবা মতেং পীরগনি হায়না য়ু এন সেক্রেটরি-জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেসনা যুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সকিদা ফোন তৌদুনা থাজবা পীখ্রে।

য়ু এন চীফনা জেলেন্সকিদা হায়খি মদুদি, ৱর্ল্ড বোদি অসিনা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা যুক্রেনদা পায়খৎলিবা য়ু এনগী হ্যুমেনিটরিয়ন ওপরেসনশিং ফন্দিং তৌনবগী আপীল অমা লোঞ্চ তৌরগনি। সেক্রেটরি-জেনরেলগী স্পোক্সমেন ষ্টেফান দুজারিকনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, যুক্রেনদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা মরম ওইদুনা হান্না থৌরাং তৌখিবগুম গুটেরেস জিনেভাদা চৎলরোই। মদুগী মহুৎতা মহাক্না হ্যুমেন রাইটস কাউন্সীলগী মীফমদা ভিদিও মেসেজ ওইনা থারগনি।

# য়ু এস, য়ুরোপনা রসিয়াগী বেঙ্ক খরা স্বিফ্‌টতগী লৌথোক্লগনি

ৱাশিংতন, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, য়ুরোপকী লৈবাকশিং অমসুং কনাদানা রসিয়াগী বেঙ্ক খরা স্বিফ্‌টতগী লৌথোক্লগনি হায়না থাংজ নুমীৎতা হ্বাইট হাউসনা লাউথোকখ্রে।




স্বিফ্‌ট অসি ইন্টরনেসনল ফাইনান্সিএল ট্রাঞ্জেক্সন অয়াম্বদা শীজিন্নবা পেমেন্ট সিষ্টমনি। মসি যুক্রেনদা হৌজিক চথরিবা মিলিটরি ওপরেসনগা মরী লৈননা মোস্কোগী মায়োক্তা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা থল্লিবা শেল-থুমগী অথিংবশিং হেন্না কনশিনহনবা মরুওইবা খোঙথাং অমনি।

হ্বাইট হাউসনা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি, য়ুরোপিয়ন কম্মিসন, ফ্রান্স, জর্মনি, ইটালি, বৃটেন অমসুং কনাদাগী ৱারেপকা চান্ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লাক্লিবা নুমীৎ খরনি অসিগী মনুংদা খন্দাক্লবা রসিয়ন বেঙ্কশিং স্বিফ্‌টতগী তাম্থোকপগী খোঙথাং শৌগৎলগনি। মসি রসিয়াবু ইন্টরনেসনল ফাইনান্সিএল সিষ্টম অমসু ঐখোয়গী ইকনমিশিংদগী মখা তানা হেন্না নাইতোম তাহন্নবগীদমক্তনি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, রসিয়ন বেঙ্কশিং অদুবু মালেমগী ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুসন লিশিং কয়া শম্নহল্লিবা হায়-সিক্যুরিটি নেটৱার্ক স্বিফ্‌টতগী কাউথোকপা অসিনা বেঙ্কশিং অসিবু ইন্টরনেসনল ফাইনান্সিএল সিষ্টম অসিগা মরী তৎনহন্দুনা মখোয়বু মালেমদা ওপরেট তৌবদা অপনবা চাউনা পীগনি। মসিগী মথক্তা রসিয়ন সেন্ট্রেল বেঙ্কপু নোংচুপলোমগী অথিংবশিংগী চৈথেং ফাওহল্লোইদবা মওংদা মখোয়গী ইন্টরনেসনল রিজার্ভশিং দিপ্লোয় তৌবা থিংনবগীদমক রেষ্ট্রিক্সন পীবা থৌরাং খরসু ইম্পোজ তৌরগনি।

রসিয়ন গভর্ণমেন্টকা মরী লৈনবা শেঞ্জাও পায়বা রসিয়নশিংবু মথক্তা পল্লিবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং অসিগী সিটিজনশিং ওইরকপা থিংনবগীদমক গ্লোল্ডন পাসপোর্টশিং য়োনবদসু পনখৈ অমা থল্লগনি। শেল-থুমগী অথিংবশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগীদমক লৈবাক অদুগী লুচিংবশিংনা লাক্লিবা চয়োল অসিদা জোইন্ট টাস্ক ফোর্স অমা লোঞ্চ তৌনবসু ৱারেপ লৌখ্রে।

রসিয়ন ওলিগার্কশিংগী শেল-থুমগী লন্থৌশিং খঙদোক্তুনা অয়েৎ-অপন পীনবা অমসুং মালেমগী জুরিসদিক্সনশিংদা মখোয়গী এসেটশিং লোৎপা ঙমহন্দনবা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অদুনা অতৈ গভর্ণমেন্টশিংদসু আপীল তৌখি। চৈরকসিদা নোংমাইজিং নুমীৎতা যুক্রেনগী নোংপোকথংবা সিটি খার্কিভতা গ্যাস পাইপ লাইন অমা পোকখায়খ্রে হায়না গভর্ণমেন্টনা চলাইবা ন্যুজ এজেন্সী অমনা হায়রি। রসিয়ন ফোর্সশিংনা অয়ুক অঙনবদা সিটি অদুগী দেনিলিভকা দিষ্ট্রিক্তা লৈবা গ্যাস পাইপ লাইন অদু বোম পোকখায়হন্দুনা থুগায়খিবনি হায়রি।

# রেদিওএক্টিভ ৱ্যেষ্ট দিস্পোজেল সাইটতা রসিয়নগী মিসাইল তাশিনখ্রে

কিভ, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সী):
যুক্রেনগী কেপিটেল কিভকা নক্লনা লৈবা রেদিওএক্টিভ ৱ্যেষ্ট দিস্পোজেল সাইট অমদা রসিয়ানা নোংথক্তগী কাপ্পা মিসাইল তানশিনখ্রে। তৌইগুম্বসুং ষ্টোরেজ ফেসিলিটিশিং অমাঙ-অতা থোকখিদে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।



প্রিলিমিনরি এসেসমেন্টতা লিক ওইবগী ইভিদেন্স ফংখিদে। থৌদোক অদু নোংমাইজিং নুমীৎতা লোকল মতমদা নোংয়াই মতুং পুং ১.২০ রোম তাবদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা ষ্টেট স্পেসলাইজ ইন্টরপ্রাইস ‘রাদোন’গী রেদিও ৱ্যেষ্ট দিস্পোজেল সাইট অমা মিসাইলশিংনা পানখি। সেল্টরদা লৈরিবা রাদোনগী পর্সনেলশিংনা ফোনগী খুথাংদা থৌদোক অদুগী পাউ পীরকখি হায়না ষ্টেট ন্যুক্লিয়র রেগুলেটরি ইন্সপেক্টরেট (এস এন আর আই য়ু)না ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরকখি।

হৌজিক মাঙ-তাক্লিবশিং অদুগী চাং লেপ্পা হায়বসি ওইথোক্তে হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি। ওফিসলশিংনা কোন্না ফোঙদোরকখিবা মতুংইন্না মিসাইল পোকখায়বগী শাফু অদুনা ষ্টোরেজ ফেসিলিটিশিংদা শোকহনবা ঙমখিদে। এস এন আর আই য়ুনা হায়, সাইট অদুদা লৈরিবা ওটোমেটেদ রেদিএসন মোনিটরিং সিষ্টম ফেল ওইরবসু কিভতা পোর্টেবল দিভাইসশিং শীজিন্নরগা মেজরমেন্টশিং লৌবদা রেদিএসনগী লেভেলশিং নোর্মেল ওইরমখি।

হৌজিক মিসাইল ষ্ট্রাইক অদুনা মরম ওইরগা মীয়ামদা অকিবা পোকহনবা লৈতে। মদুগী মমাঙদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌরবা চর্নোবিলগী ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট মনাক্তা ওনবদা রেদিএসন হেনগৎলম্বা থেংনখি। কুমজা ১৯৮৬তা মালেমগী খ্বাইদগী শাথিবা ন্যুক্লিয়র দিজাষ্টর থোকখিবা প্লান্ট অদু রসিয়ন ক্রুপশিংনা শগোলশেল নুমীৎতা পায়শিনখিবনি।

# কোভিদ-১৯গী অনৌবা গাইদলাইন মখাদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সী দি সীনা মাস্কগী রুলশিং কোমথোকখ্রে

ন্যু য়োর্ক, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সী):
অনৌবা ফ্রেমৱার্ক অমগী মখাদা য়ু এসকী সেন্টর্স ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)না লৈবাক অসিদা মাস্ক শীজিন্নবগী রেকমেন্দেসন অয়াম্বা কোমথোকখ্রে।



ইরাই নুমীৎতগী চৎনবা হৌহনখিবা অনৌবা গাইদলাইনশিং অদুনা য়ু এসতা কোরোনাভাইরস পেন্দমিক্কী তোঙানবা খুদোংথিনিংঙাই ওইররোইদবা তাঙ্কক অমা লাক্লে হায়বা এদমিনিষ্ট্রেসনগী ৱাখল্লোন উৎলি হায়না রিপোর্ট খরনা হায়রি।

অনৌবা গাইদলাইনশিং অদুগী মতুংইন্না অমেরিকান চাদা ৭০না হৌজিক মাস্ক শীজিন্নবা লেপ্পগনি অমসুং ইন্দোর স্পেসশিংদা সোসল দিষ্টেন্সিং মখা তানা ঙাকহল্লরোই অমদি মী পুনবদা অথিংবা লৈররোই। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস মশীং শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থরকপগা লোয়ননা পেন্দমিক লাকশিন্নবগী অথিংবশিং লেপ্পবা মীয়াম্না অকনবা প্রেসর পীবদগী ষ্টেট কয়াগী গভর্ণরশিংনা অথিংবা কোমথোকপগী থৌরাং লৌখৎনরকখিবগা লোয়ননা অহোংবা অসি লাকখিবনি।

হোংলক্লিবা অসিনা চহী অনী হেন্না কোরোনাভাইরসকা লোয়ননা লৈরক্লবা মতুংদা কম্যুনিটি অয়াম্বা ভেক্সিনেসন অমদি ইনফেক্সন অনীমক্ত মরম ওইদুনা পাক শন্না ইম্যুনিটি লৈরকপদগী অরুবা লায়নাগী ফীভম লাক্কদবদগী হেন্না ঙাকথোকপা ঙম্লে হায়বসি উৎলি। অনৌবা ফ্রেমৱার্ক অদুগী মখাদা কাউন্টিশিংদা ফেক্টর অহুম য়েংলবা মতুংদা অথিংবা থমগদ্রা নৎত্রগা থল্লোইদ্রা হায়বদু লেপ্পনবা খঙহল্লি। ফেক্টর অহুমদুগী মনুংদা মমাঙগী চয়োলদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা হোস্পিটালদা এদমিট তৌখিবা অমসুং কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং হোস্পিটাল বেদতা লৈবগী পর্সন্টেজ অমসুং মমাঙগী চয়োলদা মীওই লাখ ১গী মনুংদা থেংনবা অনৌবা কেস মশীং য়াওরি।

# লেবাননগী প্রাইম মিনিষ্টরনা অরব লৈবাকশিংদা ক্রাইসিস লাকশিনবদা মতেং পাংনবা হায়জখ্রে

বৈরুট, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সী):
লেবাননদা মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা মওংদা থোক্লিবা ক্রাইসিস লাকশিনবদা মতেং পাংনবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নাজিব মিকাতিনা অরব ৱর্ল্ডগী লৈবাকশিংদা আপীল তৌখ্রে হায়না কাউন্সীল ওফ মিনিষ্টরসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরক্লি।



এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নাজিব মিকাটিনা থাংজ নুমীৎতা লৈবাক অসিদা লাক্লিবা অরব লিগকী সেক্রেটরি-জেনরেল অহমদ অবৌল-ঘৈটকা গ্রান্দ সেরিএলদা মীফম পাঙথোক্লিঙৈদা আপীল অসি তৌখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, ঐখোয়না তৌবা ঙম্বগী চাংদগী হেন্না লুম্না নল্লক্লিবা পোৎলুম অসিবু পুবা ঙম্ননবা ঐখোয়বু মতেং পাংবীনবা অরব ইচিল-ইনাওশিংদা ঐখোয়না হায়জরি।

মিকাটিনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা লেবাননগী মখল মখা কয়াগী প্রোব্লেমশিং সোল্ভ তৌনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরিবা ওইরবসু ইচিল-ইনাও ওইরিবা অরব লৈবাকশিংগী মতেং মথৌ তাই। হীরম খূদিংমক্তা অরব লৈবাকশিংগা খুৎশম্নরগা পায়খৎপা থবক খূদিংমক য়াঙশিন্নবা হোৎনবদা লেবাননা লমদম অদুদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌদুনা লাক্লি হায়নসু অবৌল-ঘৈটনা ফোঙদোকখি। বৈরুটকী হিথাংফমদা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোকশিংগী মতাংদা থিজিনবা অমদি গল্ফ লৈবাকশিংগা লৈনবা দিপ্লোমেটিক মরীদা উংখৎনবগুম্বা ইস্যুশিংগী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মরক্তা অমগা অমগা মোত মান্নদবনা মরম ওইদুনা গভর্ণমেন্টনা থবক্তা ওন্থোকপা য়াবা সোল্যুসনশিং পুথোকপা ঙমদবদগী লেবাননদা খ্বাইদগী শাথিবা শেল-থুমগী ক্রাইসিস অমা থোক্তুনা লাকখি।